HUEIYEN LANPAO

Saturday, August 06, 2022, Imphal



# কৌব্রু (সন্নচীং কৌব্রু) অমসুং ঐখোয়গী হৌফম

– ডা. সোরাম মনিকান্ত –

প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



চহী খরগী মতম অসিদা ইরমদম অসিগী চীংগী শরুক অয়াম্বদা দিফোরেষ্টেসন হেনগৎলকপা, পোপি কলটিভেসন চীংমায় খুদিংদা চথরকপা অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল দিজেনরেসনগী শক্তম কয়া ঐখোয়না উবা ফংলি। দিফোরেষ্টেসনগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপা, পাক্তক্লনা পোপি প্লান্টেসন তৌরকপা, চীংগী মফম কয়াদা অন ওথোরাইজদ ভিলেজ মশীং হেনগৎলকপা অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লাইফমলেন কয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুবদা পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইরে। ইরমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ কয়াগী হৌফম ওইরিবা কৌব্রু, নোংমাইচীং, থাংচীং চীংশাং কানি পান্থী থাফম ওন্থোক্লে। কানিগী লৌবুক-লম্মাং হায়না উবা হৌরক্লে। ওইরক্লিবা পূম্নমক অসি ঐখোয়গী হৌফম খঙবা অমসুং থিজিনবা ৱাৎপদগীনি হায়নীংই। মতাং অসিদা ঐখোয়গী হৌফম ৱারী নৈনদুনা য়েংবদা কান্নগনি। মালেমগী অকক্লবা মফম অমখক্তদগী মী পোকখিবনি হায়বা লৈতে। মীওইবনা মালেমদা করম্না ওইরকখিবগে হায়বগী মরমদা চার্লস দাৱিননা থিজিন্দুনা মহাক্কী The origin of Species, The Descent of Man কৌবা লাইরিকসিদা থৱায় পানবা অহিংবশিং অসি মথং মথং ওইরকপগী মওং ইভোলুস্নরি প্রোসেস কয়া খঙবা ঙম্লে। ঐখোয়না থিজিনবগী মতুংইন্না থাজে মদুদি মতম অমত্তদা মালেম শিনবা থুংনা কংফালগী থৱায় পানবা পূম্নমক্না লৈবা য়াবা অতোংবা মফমদা 'মী' পোকখি। অসুম্না য়েংবা মতমদা এসিয়া মহাদেশ অসিমক মী হৌফমগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা মফমনি। মরম অসিনা মসিবু The cradle of the Human Race হায়না ফাওবা খঙনৈ। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অরিবা চীংশাংশিংগী মনুংদা ইরমদম অসিগী লাইফমলেন অমা ওইরিবা কৌব্রুশিং অসিসু অমনি। মালেমদা মরু ওইনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লমদম অসিদা মী পোকখিবা মতমদা ঐখোয়গী কৌব্রু চীং অসিদসু মী পোকখিবগী ওইথোকপা লৈ। কৌব্রু চীং অসি ঐখোয়না 'সন্নচীং' কৌব্রু হায়না খঙনৈ। মরমদি তাইবঙ মীওই শন্নবগী হায়বদি চাদা নাওদা শন্দোক্লবগী হৌফম মরূনি হায়দুনা সন্নজীং কৌব্রু হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা শৈথাবা ঐখোয়না থেংনরি। মফম অসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং হৌফমনি হায়নৈ। 'অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা, লৈময়োন খুন্দা অহানবা' ঙসি ফাওবদা শোন্নরি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অসি অতোপ্পা লমদগী, মফমদগী লাকপা নত্তে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লি। ইরমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ঐখোয় অসি অরিবা মচিনঙৈদগী লৈরক্লবা য়াম্না লীরবা মীওই কাঙলূপনি।

মমাঙ মমাঙঙৈদা মীওইবনা অঙৈং-অশা, নোংজু, ঈচাও, অকনবা নুংশিৎ কয়াদগী কঞ্জনবা অকনবা লান্থেং কয়া মায়োক্লরকই। চাননবা অমদি হিংনবগী লান্দা অমনা অমগী চিঙ্গাক ওইদুনা হিংনবা হৌনরম্মী। অঙম্বনা হিংহৌই। মসিদা শিখি নাখিবা কয়ানি। শম্না হায়রবদা অমগী শিবনা অমগী অহিংবা হায়বদু ওইখি। মতমগী য়াওল তুংইন্না শাহিং ঙাহিং চাদুনা চীংনুং-মানুং, লৈকুৎ-লৈরাইদা লৈদুনা হিংলম্বা কয়া অদুনা ঙসিগী চাওখৎলবা খুন্নাই অসি য়ৌবা ঙমলকখিবনি। অসুম্না কৌব্রু লাইফমলেনদা হৌখিবা ইপা ইপুশিংনা ঈশিং ঈপাক ওইনা লৈরম্বা তম্পাক লম অসি চীং লৈশা তেমথোক্তুনা থোনখি। মসিদা লৈরম্বা ঈশিং মখা পাংনা চেন্থখিদুনা ফজরবা লৈতেম মান্নবা তম্পাক লমদম অমা ওইরকখি। ঐখোয়গী লৈবাক ইরমদম মণিপুর চীংলোন কয়ানা পন শানা কোয়শিনবা, ময়ায়দনা ফজখ্রবা লৈতেম মান্নবা তম্পাকলম ওইদুনা লৈবা লমদম অমনি। মফমনা, ফীভমনা চীং অমসুং তম্পাক অনী থোক্না খায়দোক্তুনা চীংমী অমসুং তম্মী লৈমিন্নরকপা মীওই কাঙলূপনি। চীংমী অমসুং তম্মী অনী অসি মৈহৌরোলদগী খায়দোকপা য়াদ্রবা মরী অমনা পুন্দুনা লাকই। চীং অমসুং তমগী অপূনবা ৱাখল্লোন অসি মহৌশাদগী চেৎনা লৈরকই। অসুম্না চারৌ-মৌরৌ তৌদুনা নুংশি চান্ন-চিন্ননা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা হিংমিন্নরকই।

ঐখোয়গী ফুরুপ (জাতি) অসিগী হৌরকপগী ৱারী-শিংবুন, হিষ্ট্রি লৈনবনা ঐখোয় মশেল অমনা অমবু মশক খঙবা ঙমগনি অমসুং নুংশিনবা হেনগনি। ফুরুপকী হিষ্ট্রি নৈনবা মতমদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চহী চা লিশীং কয়া হিংনবগী লান্দা থেংনখিবা মায়থীবা, মায় পাকপা, খুদোংথীবা কয়া অদু নীংশিংদবা য়ারোই। মসিমক্নি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী হিষ্ট্রি হায়বদু। মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা কৌব্রু সন্নচীংদা থেংনখিবা অৱাবা পুন্সি, নোংজু-নুংশা, অঙৈং-অশা, খুদোংথীবা কয়া অদু য়াওনা শীংথাফম থোকই। মমাঙ মমাঙঙৈদা হিংনবা হোৎনবদা চৎলম্বা শারমচৎতগী নান্থোক্তুনা মশাগী ফুরুপ শেমগৎতুনা ঙসি ফাওবা পাল্লকইবা শাংলবা ইতিহাস অসি ঐখোয় কাউফম থোক্তে। ঐখোয়গী কংলৈরোল, পাথাং, পুথাংদগী চৎনরক্লবা ৱারী ময়াম অসি খঙবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী হৌফমগী ইতিহাস হায়বসি মমাঙ মমাঙ অদুঙৈগা তৎনদ্রবা মরী লৈনগদবনি। মমাঙ মমাঙগী লৈনরকপা, চৎনরকপা মদু য়াওদ্রবদি ইতিহাস অদু মখোঙ শেংদবা, চুমদবা, অশেংবা নত্তবা শাশিন্নবা Pseudo History ওইগনি। ঐখোয়গী হৌফম খঙদবা, মরী-মখোঙ শম্নদবা অখঙ অহৈ শাবা Researchers কয়া থোরক্তুনা পাখংবগী ৱারী, কৌব্রু, থাংচীং লাইফমলেনগী তোঙানবা ৱারী কয়া রিসর্স পেপর ওইনা থোরক্লে। ঐখোয়গী লৈজরিবা কংলৈরোল, খুন্নাইরোল অসিবু নাথৈনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা অখঙ অহৈ শাবা Pseudo Historian কয়া অসিনা ঐখোয় মশেল মরক্তা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবদা অপনবা, অকায়বা কয়া ওইরি। মরম অসিমক্না ঐখোয়গী হৌফম ওইরিবা কৌব্রু সন্নচীং অসিবু খঙবা ৱাৎপনা মসিগী মরু ওইবা অদু থৌশাদবনি। ইতিহাস (হিষ্ট্রি) হায়বসি চুম্নতগী নিংথৌরোলশিংগী মমিং মথা, ফম্নাইবা ফম্নাইবী, অঙম অথৌ, মীনাই মীশনশিংগী অইবা, রেকোর্দ তৌশিনবা অদুতবু লৌনরম্মী। মসিমক্তি নত্তে। হিষ্ট্রি হায়বসিদা ঐখোয় মীওইবা ফুরুপ (জাতি) অসিগী হৌফম, লৈশেমলোন, খুন্নাইরোল কয়া নৈনদুনা অশেংবা উৎনবা হোৎনরিবা অদুসু ইতিহাসনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা, হোংলক্লিবা মওং অসিদি অকনবনা অশোনববু য়োৎশিন্নবা হোৎনবা, মাগী মাগী কাঙলূপ্তা পুনশিন্নবা হোৎনবা মতমনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসি চীং-তম, চীংমী-তম্মীগী হৌফমনি হায়বসি খঙদনবা, খায়বুংগী ৱাখল চেলহন্নবা হোৎনবনা হেন্না মশীং য়াম্লক্লে। মীতৌ তম্বা, ইশাবু থৌওইদবা, ইশানা ইশাবু শক খঙজদবা, ঐখোয়গী ইনাৎ কাউথোক্তুনা মীগীদুবু ঈশাগী ওইনা লৌশিল্লে। শাশিন্নবা, অশেম্বা ৱারী, Pseudo History না ঐখোয়গী ইতিহাসকী শরুক ওইনবা হোৎনবা কয়ানা য়ৈখাই থিনগাইবা পীবিরে। মমাঙ মমাঙঙৈদগী চীংমী তম্মী অনী অসি ইপা অমত্তগী মচানি হায়বসি ঐখোয়না তাদুনা লাক্লি। মসি ঐখোয়গী ইতিহাসনি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী ফিজিকেল জিওগ্রাফিগী মতুংইন্না চীংদা পোকপবু চীংমী, তমদা পোকপবু তম্মী হায়দুনা অদুম খঙনরকই। নোংচুপলোমগী চাওখৎ খোঙথাং য়ৌরক্ত্রিঙৈ, চাওখৎপা মতমগী খূৎশু খূৎলায় ফংদ্রিঙৈ লমদম অসিদগী পুথোকচবা অদুনা মরৈবাক ঙাক্তুনা, লৌউ-শিংউ তৌদুনা ৱাৎতা-পাদনা পাল্লকখি। মীখা পোন্দে, মীপান তাংদনা হিংমিন্নরকই। লম্বী থোং ফৎত্রিঙৈ, মপান লৈবাক্না চৎথোক চৎশিন তৌদ্রিঙৈ লমদম অসিগী পোথোক্তনা চীং তম অনী য়োক্লকপনি। হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং লমদম অসিদা থোকচবনি। চীংদা হৌবা লশিংনা চীং অমসুং তমগী শেৎন-ইন্নবা ফিজেল পীদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা ৱারী শীংবুন কয়া অসিনা চীং-মী, তম-মী অমত্তনি হায়বা তাকই। অদুবু ঐখোয়না মীতৌ তম্বা পাম্বা, হৌফম ৱারী খঙদবা Pseudo History কয়া পুথোরকপনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থাজবা লৈরক্তবা, নুংশিনদবা কয়া অসি থোকহল্লিবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা চীং-মী, তম-মী অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী ৱাখল্লোন চেনগদবনি। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অসি নুংদগী লাক্কদবনি। Unity must come from within not from the outside। মসি পুরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী কংলৈরোল, লৈশেমলোন ময়াম অসি খঙমিন্নবা চঙই।

মালেম অসিদা ঐখোয় কংলৈচা অসি য়াম্না চাওথোকচনীংঙাইনি। মশাগী ইতিহাস (হিষ্ট্রি), লিচৎ (রিলিজন), মনাৎ (কলচর), লোল (লেংগ্বেজ), সাহিত্য (লিটরেচর), কলা (আর্টস), শান্ন-খোৎনবা (স্পোর্টস) কয়ানা পীক থল্লবা তোপ তোপ্পা উৎথোকচবা ঙম্বা, মীওইবনা লৈরকঙৈদগী লৈরক্লবা, কনাগীসু মীপান তাংদনা হিংলকপা, পীক্লবসু পীক্না সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদম অসিদা মনীংতম্বা লৈবাক ওইদুনা পাল্লকখিবা কাঙলূপনি। য়াম্না চাওথোকচনীংঙাইনি। মীপান তাংদনা হিংলম্বা ঐখোয় ঙসিদি মেটরিএল ৱর্ল্ড অসিদা মীপান তাংনা হিংলে। ঐখোয় মশেল মরক্তা খায়বুং খায়বুং তৌবা, অমনা অমবু থাজনদবা, মশাগীতা য়েংবা কাঙলূপ নায়বা মিৎয়েংদা পুথোকপা Pseudo History কয়ানা ঙসিগী খুন্নাই অসি তংদু লৈতানা লৈবা ঙমহন্দ্রে। ঐখোয় খুদিংমক খোয়রাংহল্লে, লৈতাহন্দ্রে। থাজদবা, চিংনবা ৱাখলনা মাঙওইনরে। শম্না হায়রবদা ঐখোয়গী মেন্টেল হেল্থ, খুন্নাইগী সোসল হেল্থতা অকায়বা হায়বদু ওইহল্লে। মসি ফগৎহন্দুনা ঈংনা চিক্না, নুংশি চান্ননা, অমনা অমবু ইকায়খুম্নদুনা, অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা লৈহনবা তঙাইফদ্রে। মসি পূম্নমক মুন্না খন্থরগা ঐখোয় হৌফম ৱারী খঙসি। ●

# লৌমীশিংং লূ কোকপদা লেন তারে, অৱাবনা লোইনাইদ্রবা খোঙচৎ ওইরে

## (হারগী ৱারিঙৈদা লৌফমদা ঈশিং লৈতবনা লৈক্রক অমুক চৎলে)

– মুতুম শান্তি –

মথংগী চহীদদি খরা ফৱগনি খন্ন-খন্না পুন্সি লোইখ্রবা নুংশিরবা লৌমীগী পুন্সি ওইরি। অৱাবা চৈথেং খক নত্তনা নুংঙাইবগী খোঙচৎতি উখিদে, তাখিদ্রি। চাওখৎলিবরা, চাওথরিব্রা লৌমীগী মপাঙ্গল খক্তনা, নেচরগী নোং অসিনা চানবা ফৌগী পোথোক পুথোক্লি। অৱাংলমদা দোলাইথাবী দাম লৈনা লৈনা লৌফম পূম্নমক নোং তাদ্রে হায়দুনা লৈক্রক চৎলে। দাম শাবগী করি কান্নবা ফংলিবগে? নোং তারবসু, তাদ্রবসু লৌ উবদা ঈশিং ৱাত্তনা ফংহনগনি হায়না শাখিবা দাম মমিংতগী ওইরে। লমদমসি লৌ উরগা হিংবা মফমনি হায়বসি লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা খঙবীগদবনি। ফৌ খরা পুথোকপনা ঐখোয়গী পোথোক ওইরিবনি। নোং তাদ্রবদি ফৌগী পোথোক পুথোক্তনা হিংলি। এ সী খুদিংগী এম এল এ/মিনিষ্টর করি তৌরি। পান্থৈ লৈত্রবা লৌমীশিংগী ঈশিং চিংনবগী মতেং পাংননবা থবক ওইনা তৌথোরকপা অমত্তা তাদ্রি। মনা পংশিন্নগনু, মীয়াম্থু ৱাহনবা অফবা নত্তে। অৱাবা তারবা লৌমীশিংবু নুংশিবা খঙদবা নখোয়গী খোঙফম মালেমদা অমত্তা লৈরক্লোই। লৌমীগী পুন্সিদি লৌ উরগা ফংলকপা ফৌ খরা অদুনা চাবা-চাদবা মচা-মশুগী মহৈ-মশীন তম্নবা, ইমুংগী অৱাৎ অপা, লৈকায়গী পোৎয়েং-চায়েং পূম্নমক ফৌ তাইদুনা হিংলিবনি। চহী অমা কৈদা ফৌ খরদং ওইরবসু হাপহৌদ্রবদি চহী অসিমা করম্না হিংগনি। মচা-মশু মহৈ তম্বা ঙমদদুনা তোকপা কয়ানি। হিংবদা শেল চঙই। লৌমীদি ফৌ নৎত্রবদি পান্থৈ লৈতে। ফৌথোক লৈহন্নবা লৌমীশিংবু থবক কন্না শুনবগী থৌনা হাপ্পীগদবনি। মীওইবা ঐখোয়গী খ্বাইদগী লুবসি চাননবা চিঙ্গাক ফৌনি। মীওইবদি চাক চাদনা হিংবা য়াদে। ওফিসকী টেবলদা ফৌ থাবদি ফৌ মরূ পাল্লোই। ফৌ, মনা-মশিংশিং অসি লৌমীনা পুথোক্কদবনি। মশা নানবা লৈখোম তৈদবনা মীওইবগী চিঙ্গাক পুথোকপা কৈদৌনুংদা ওইররোই। লৌবুক্তা নোংজু নুংশা খঙদনা মশা পূম্বা লৈখোম্না পুমচোৎ চোৎলিবা লৌমীবু ওৎপী-নৈবীরিবা করিগীনো? হন্দক য়ুরিয়া হারগী মতাংদা লাংনরিবা, ঙাঙনরিবা, ওফিসতা অহিং য়ারেক্লরিবা অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদ্রবা মওং অসিবু করম্বা লৈবাক্তা থোকখ্রবগে? মতু শোনবা, লাইরিক লাইশু হৈজদ্রবা লৌমীশিংবু হন্থবা থাক্তা য়েংবা মীৎয়েং অফবদি খক ওইরোই। অহলশিংগী ৱাহৈদা 'ষণ অতেবনা ৱাইবদা শরূ ফংই' হায়বা ৱাহৈ কাউফদে। হীরম কয়াদা তোল্লবসু মীওইবগী পুক অসিদা চাক য়াওরক্তবা মতম অদুদা করি ওইরক্কনি হায়বসি মীকূপ খুদিং নীংশিংসি। মীয়ামসিনা পুক য়াওরক্ত্রবদা ফম্নাইবা-তুনাইবা, ওফিসর অচৌবা-মচা, জজ-উকিল, অনা লায়েংবীরিবা ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র, দাম, থোংনচিংবা শারিবা শম্না হায়রবদা ঐদি চাওরবনি খল্লিবা ঐখোয় পূম্নমক উফুল ওনবা শোয়দ্রবনি। লমদমসিদা হিংলিবা পূম্নমক মীপাল তাংদুনা অসুক ৱানা হিংলিবসিদা চহী অমদা ফৌ খজিক্তং পুথোকপগী লম্বী অসি ফাওবা শেমগৎ-শাগৎপগী ৱাখল লৈত্রবা লমদমনি। মীওইবা ঐখোয়সি ইথৌ মশক খঙদ্রবদি হিংলুবগী কান্নবা লৈত্রে। অচৌবদি ওইনীংবা, অচৌবা ওইরিবদুগী মগুণ ঙাকপা ঙমদবনা পীক থনবা খুন্নাই অমা ওইরি। লমজিংবা, লুচিংবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। লুচিংবা ওইগদৌরিবগী মশাদা য়াওগদবা গুণ মখল শুনা য়াওদবা কয়ানা লমজিং লমতাকপনা ঙসি লমদমসি কাং-খোং চাইরিবনি। ইশানা ইশাবু মশক খঙগদবনি।

ইজরিবা ঐনা হন্না হন্না ইজরূদ্রবসু মালেমদা লৈরিবা মাগী মাগী মরমদম চাওখৎনবা খনবা, হোৎনবা ঙাক্তনি। অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঐখোয়গী লমদমসিদদি থবক থৌরম কয়ামরূমসি হেক্তা মাঙহল্লি, মূখৎলি। মাঙখ্রবা, কায়খ্রবা পোৎ অমা অমুক শেমগৎপা হায়বসি পাক হেক য়াবা নত্তে। অমনবু পায়রবসু, অমনবু পাল্লবসু মীয়ামগীদি চপ মান্নে। ফগৎলকপা, চাওখৎলকপা, মীপান তাংদনা হিংবা লমদম অমা ওইহন্নীংই। হৌজিক্কী লৈরিবা মওংসিদি লৌমী-শিন্মী নখোয়না ৱাবা ঐখোয় খঙদে, লায়রবগী থাদরকপা শেনফমসু ঐখোয়না তৌনীংবা তৌগনি হায়বসিনি। মসি অফবগী খুদম নত্তে। হন্দক চহীগী য়ুরিয়া হারবু এম এল এদা শিন্নরে, এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা কুমসিদি হার ৱাৎহল্লোই হায়না মীদিয়াদা হেক্তা লাউথোকই অদুগা ঙসিনা করি তৌরবগে? লৌ উরগা হিংবা লৈবাকনি, ফৌথোক লৈনা, পোথোক য়াম্না পুথোক্লবা হোৎনবনা পূম্নমক্কী য়াইফগনি খঞ্জে।

লৈঙাক্কী মমল ওইনা য়ুরিয়া হার বেগ অমদা লুপা ২৬৬.৮০নি। এম এল এ খরদি লৌমীদগী শেন্দোং চারি। মোইরাং এ সীগী এম এল এনা লৈঙাক্কী মমলদগী তাথনা য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ২৫০দা পীরি। ঐখোয়না পূম্নমকসি তারুরগা 'ইকায়ববু হয়েং খরা ফবা, হংচিৎ খরা ফবা" হায়বদুনি নীংশিংলকই। মীয়াম হায়বসি য়াম্না লুই, ঐখোয়না ইকায়খুম্নগদবনি। খোঙথাং কয়ানি, লৌখ্রবদি লৌখ্রে, চাখ্রবদি চাখ্রে, শোয়খ্রবদি শোয়খ্রে, থবক তৌদ্রিঙৈদা ঐ হায়বা ঐসিনা 'কুৎ লাওবা ঐগী' হায়বসি খন্থদুনা থবক তৌহৌদ্রবদি কনানসু ঐগী ইহুৎ শিনবা য়াবা নত্তে। লৌমী-শিন্মী চাওখৎহনসি, ফগৎহনসি, লায়রবগী লাকপা স্কিম কয়াবু মীয়ামগী খূৎতা য়ৌহনসি। লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিং স্কিম অদুগী মনুংদা য়াওরিবা ৱারোল পূম্বা ময়েক শেংনা খঙদোকপীয়ু। মীয়ামগী ওজা ওইবা হায়বসিদি ময়েক শুনা ৱারোল পূম্বা খঙবা, তাকপীবা ঙম্বা মীওই অমদি ওইহঞ্জনীংই। পূম্নমক খঙলবা মীওইবু গুরু হায়না খঙনরিবনি। গু হায়বদি অমমম্বা অদুগা রু হায়বদি ঙালহনবা হায়বনি। অমম্ববু ঙালহনবা হায়বসি ওফিসকী কর্ম্মচারিশিংবুনি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিং লৌমী-শিন্মীশিংবু অচুম্বা লম্বী, অফবা ৱারোল পূম্বা খঙহনবীবা, নুংশিবীবা হায়বসিনা তুংগী মীরোলদা অফবা ওইরক্কনি হায়বসিনি। ঙসিগী মীরোলনা লৈবাক কনগদবনি। ইশাগী পোথোক মরাং কায়না পুথোকপনা, ইরোমদোম লেপচবা ঙমগনি।

য়াম্না চাউনা শোয়রিবদি দোলাইথাবী দামদা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি ওইনা থবক পুরিবশিংনা মনাক নকপা খুলদা লৈবা মীওই খরদা থাগী তোলোপ লুপা ১০০০/২০০০ পীরগা 'দাম' অসিবু ঙাক শেলহনখি। মরমসিনা দামগী মরম খঙবা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিনা ময়ূমদা লৈথোক্লগা করিসু খঙদবা খুঞ্জাশিংদা শিন্নবদগী কালেনগী কংনা লৌ খোইবা মতম, ফৌ মুল্লগা লৌ খাওবা, য়ৈবনচিংবা মতমদা ঈশিং থাজিল্লক্লি। অরানবা থবক তৌরল্লিবা অমদি তৌরিবা মীশিংদা 'দাম' সিগী পুরিবা দিপার্টমেন্টনা করি তৌফম থোকপগে হায়বসি চপ চানা পায়খৎপীয়ু। লমহেনবশিং মরী লৈনবশিংদা শিন্নদুনা মখোয়গী মথৌ চপ চানা পাঙথোকহনসি। তূমিন্না লৈথোক্লবদি অরানবা তৌবা, ফত্তবনা পীক থনবা খুন্নাই ওইহনগুমসি। লৌ উবগী ঈশিং মথৌ তারকপা মতমসিদা লৌফম খুদিংমক লৈক্রক চৎলি। পূম্নমক অসি কনাগী মাঙজবনো, ঐখোয় পূম্বগী নৎত্রা? লৌ উরগা হিংবা লৈবাকনি, লৌ উবদা ঈশিং য়াওদনা ফৌগী পোথোক পুথোকপা য়াদে খঙলিবনি। অদুবু চহী অমা নোং মরাং কায়না তাদবদা ফৌগী পোথোক মাঙহল্লবদি মণিপুরদা দাম শাবগী কান্নবা করি লৈরিবগে? মীয়াম্না লাওরগা-কপ্লগা হেক য়েংশিন্নবগী, তৌশিন্নবগী ভোট থাদখিবা নত্তে। থবক খুদিংমক মতম চানা তৌহৌদ্রবদি পূম্নমক অরেম্বা তাগনি।

য়েংলু-য়েংলুবা খুদিংমক অশোয়বা-অৱাৎপা কয়ানা পীক থনবা খুন্নাই অমা ওইরি। মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও ফখ্রবা লমদম অসিবু পুন্মাঙ মাঙহল্লি। লৌমী-শিন্মীনা থবক শুদুনা পোথোক পুথোক্লবা মতমদুদা ঐখোয়গী লমদম চাওখৎকনি। থবক শুদনা চাওখৎপা করম্বা লৈবাক লৈবগে? থবক শুনীংদবা মশীং য়াম্বনা লমদমসি অৱাবা, লায়রবা ওইরিবনি। মীনা থবক শুরগা ঐখোয়না অহাওবা চানবা হিংলি। মমল খ্বাইদগী য়াম্বা মুগা ফিনা মীরমদগী লৈদুনা শেৎলি। মুগা পান্থী পূম্নমক লমদমসিগী নেচরেল রিসোর্সনি হায়বসি খঙদ্রে। লুহোংবা, লাইগী, চাক্কৌবা, ধর্ম্ম-কর্ম্ম কয়াদা মুগাগী ফি শেৎতবা য়াদে। থবক শুনীংদবশিংদি চৎনবী অসি তোকপনা ফরে। থাঙ্গাল বজারদা মপান্দগী লাকপা মুগা লং, মুগাগী তিন মহুম মখল কয়া করবার তৌরি অদুগা ঐখোয়না লৈরগা চৎনবী ঙাক্লি। ইশাগী পোথোক মশক খঙলবসু কনানসু পুথোকপগী ৱাখল লৈতে। লৈমখোং, ক্বাক্তা, ৱাংবল, উয়ুমপোক, ইশিখা, নোংসুম অসিনচিংবা মফমশিংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী সিল্ক ফার্মশিং ফাওবা মপূং ফাবা ঙমদবসিবু করিগীনো? ঐনা তৌরম্বা থবক্লা ঐগীদমক মীয়াম্না শক শোন্নগনি। বিলো প্রোভর্টিদা হিংলিবশিংদা কান্নবা পীনবা লৈরিবা সেরিকলচর, সোসল ৱেলফ্যের, ভেটিরিনরি, লেবর, এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচরনচিংবা ওফিসতা লৈঙাক্কী থবক পুরিবশিংনা লৌমীশিংবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবীয়ু। অইবীনা পূম্নমকপু খুরুমজরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ


### সার সুধাকরদা থাগৎ ৱাহৈ পীজরি



সুধাকর (শামু)

ঐঙোন্দা নুঙ লৈবীরকপদগী সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক আই. টি. আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা মমিং লৈরবা নুঙ লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱাড়ী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোনগা উনজবগী তাঞ্জা অমা ফংজবদা ঐ য়াম হরাউখি। ঐঙোন্দকো লৈরম্বা নুঙদুসু শুপ্নতংগী হপ্তা ১দা তাহনবীরকপনে, ঐনা য়ুরিন পাস তৌবদা। মহাক্কী থৌজাল লৈবা, ঈংবা-তপ্পা, পূকচেল চাওবা নোল্লুকপা লায়েং মখল অদুবু ঐনা অসুক্কী মতিক থাগৎপীবনে। মহাকপু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু।

Sd/- **Mr. David Thurr**
Maibung Kom, Kangpokpi District

HL-P/3595/6,7,8

### OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

### / নোটিশ

তাং ০৫/০৮/২০২২ ইং

No. IMC/92/RO/W-V/2016/News Approval- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Naga Nullah Shed No. 4 Seat No. 43 Licence No. 36 শ্রীমতি Huirem Sumati Devi W/o H. Raghumani Singh of Khuyathong গী মিংদা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Huirem Binarani Devi W/o (L) Huirem Ibohan Singh of Thangmeiband Polem Leikai Vendor/ Licence Holder গী মিং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ১০ (তরা)নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/- Asst. Municipal Commissioneer (Revenue)
Imphal Municipal Corporation

HL-P/3373/6

### / ORIGINAL CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination, 2018 bearing Roll no. 31989 issued by BOSEM on the way between Kakching keithel and Kakching Makha Leikai on 31st July 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Yengkhom Chetan Singh**
Kakching Mayai Leikai
# 9863808270

HL-P/3374/06

### অৱাবা ফোঙদোকচবা

মতম শাংনা ময়েংবম অপোকপগী থৌবুরোই ওইরম্বা ময়েংবম ইবোপিশক মৈতৈনা ঙসি চৈচৎ ৩/৮/২২ থৱানগী ৫নি পানবা য়ুমশকৈশাদা তাইবঙ শিন্থা লোইরদুনা মপূগী লৈকোলদা হৈনম-লৈনম ওইনা তিনখ্রে, লৈহৌরিবা মচা মনাই ওইবা ঐখোয়না লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না তিঞ্জনবা শাগৈ অপোকপগী থৌপুরোইশিংনা মিনিট ২ লেপ্তুনা তাইবঙ মপূদা থৌনিজরি।

পাউজেঞ্জরিবা **: M. Rameshwar Meitei**
Secretary,
Mayengbam Apokpa Committee.

HL-P/3610/6

### / BAG LOST

I have lost a bag containing a few documents including the Original Pass Certificate and Statement of Marksheets of my Indian School Certificate Examination 2015 (Unique ID 5899194) appeared from Loyola Public School, Guntur on the way from my house at Chana Mayai Leikai to the Airport on 1st July.

Anyone who find it is requested to return it to the undersigned. Your generous act will be rewarded.

Sd/- **Leitam Jenil**
S/o Ingocha Leitam
Chana Mayai Leikai, Imphal, Manipur

HL-P/3603/6

### / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7730/9/7-9/8

**/অমাংথোঙদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হমেং মথিগুম্না মরু-মরু হাম্বা, হামোং মথিগুম্না মরু-মরু হাম্বা অদু মপান্দা লোয়না তারকউ য়াদবা, অমাংথোং মনুংদসু পল্লগা লৈবা করিগুম্বদা খোঙ হাম্বসু য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হমেং মথিগুম্না মরু-মরু হাম্বা, হামেং মথিগুম্না মরু-মরু হাম্বা অদু মপান্দা লোয়না তারকউ য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পল্লগা লৈবা, খুৎনা কোৎলগা লৌথোকপা অমদি শেংদোকপা, অমাংথোঙ মনুংদা লৈবা অমাংবশিং অদু শেংদোকহৌদবা তারগদি চিক্লি শারি তৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, করিগুম্বা খোঙ হাম্বা য়াদবা মতমদা খ্বাং নাবা অমদি পুক্তা নুংশিৎ কারগা চাবা থকপসু য়াদবা, হকচাংগী মফম খুদিংদা চিকপা নাবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা সাপোননা শেঙনবনি হায়না চাল্লবদগী অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙগী মপান অকোয়বদু চাওনা পোমথোরকপনা ফম্বা য়াদবা, পোমথোরকপা অদুনা চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজম অনীমক চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্ড ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **T. Maipakpi Devi**
Changangei

HL-B/7731/06

### BEFORE THE OATH COMMISSIONER (JUDICIAL), MANIPUR OF IMPHAL

### / AFFIDAVIT

I, **Alexander Heisnam**, aged about 19 years, S/o **Heisnam Sobitchandra Singh,** a resident of Kwakeithel Laishram Leikai, P.O. Imphal, P.S. Singjamei, District Imphal West, Manipur (India) do hereby take Oath and solemnly affirm as follows :-

1. That, I am a bonafide citizen of India having my permanent residence at the above mentioned place. This is true to my knowledge.

2. That, at the time of my registration for Class X Examination, 2018 to the Council for the Indian School Certificate Examinations, New Delhi, my mother's name has been wrongly recorded and written as ***H Arunkumari Devi*** instead of her correct name i.e. **Thokchom Arunkumari Devi;** and as such my mother's wrong name has been recorded in my Class X academic records under **Unique ID NO. 6694053** when issued by the said Council, and as such I desire to make the correction. This is true to my knowledge.

3. That, my mother's correct name is "**Thokchom Arunkumari Devi**". And thus I desire to make a correction of my mother's name in my Class X Academic records in order to avoid any kind of complicates in future. This is true to my knowledge.

Verified that the above statements made in foregoing paragraph No. 1 to 3 of this Affidavit are all true and correct to the best of my knowledge and nothing material is concealed therein.

Dated/Imphal
The 4th August, 2022

Signature of Deponent
**Alexander Heisnam**

By: Advocate
**N. Singhajit Singh**

**Ch. Dorendro Singh**
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur

HL-P/3606/06

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।